# ইন্দিয়ানা চাইনাবু লম্বা পীদুনা ৱেটলিফটিংগী পৱার হাওস ওইবা ঙমগনি : স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটরশিংনা চাইনাবু লম্বা পীদুনা ৱেটলিফটিংগী পৱার হাওস ওইবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি হন্দক্তগা সামৱা লৈবাক্কী সিটি এপিয়াদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী য়ুথ, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র কেটেগোরিগী ৱেটলিফটরশিংনা তোঙান তোঙানবা নেসনল রেকোর্দতা নত্তনা কম্মনৱেলথ, এসিয়ন অমসুং ৱর্ল্ড রেকোর্দ কয়া থুগাইবা ঙমদুনা পূন্না মেদল ৩৫ লৌবা ঙল্লকখিবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা ঙসি ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটিং কন্টিনজেন্ট অদুদা শরুকয়াখিবা মীওই ৩৭ অদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎলকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না মখোয়গা মতম শাংনা ৱারী শানখি।

টুর্নামেন্টশিংদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্বা অসিনা অফবা শক্তম ওইরিবনি। ইন্দিয়ানা এসিয়াগী পৱার হাওসনি হায়না লৌনরিবা চাইনা অমদি নোর্থ কোরিয়াগী ৱেটলিফটরশিংবু লম্বা পীবা ঙমদুনা লৈবাক অসিসু মশান্না অসিগী পৱার হাওস ওইবা ঙমগনি হায়না শান্নরোয়শিং অদুদা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটরশিং অদুদা চপ চাবা পোটেন্সিএল লৈ। লোয়নন্না মদুবু থবক্তা ওন্থোক্তুনা ওলিম্পিক্সকী কম্পিটিসন্দা মেদল ফংনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

চাইনা, সাউথ কোরিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী তোঙান তোঙানবা ৱেটলিফটিং ইভেন্টশিংদা খুদুম চনবা ঙম্বা অদুগুম্না ইন্দিয়ানা কম্মনৱেলথ ৱেটলিফটিংগী ওইনা খুদুম চন্দুনা লৈরি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা শান্নরোয় খুদিংমক্কী অৱাৎপা অমত্তা লৈহল্লোই। মখোয়গী ত্রেনিং ফেসিলিটি খ্বাইদগী থাকৱাংবা মওংদা পীগনি। অসিগুম্বা পার্ফোমেন্স উৎলকপা অসি ঐখোয় পূম্নমক্কী য়াম্না চাউথোকচনীংঙাই ওইবা তাঞ্জানি হায়খি।

ইন্দিয়াগী সেনিয়রগী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সাইখোম মিরাবাই চনুনা লুচিংলি। অদুগা য়ুথকী কাঙবুদনা মমাঙদা য়ুথ ওলিম্পিক্স গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবা মিজোরামদগী জেরিমি লালরিনুঙানা লুচিংলিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক অসিনা য়ুথ অমসুং জুনিয়র কেটেগোরিগী কাঙলূপ্তা লৈবা ৱেটলিফটরশিংদা অহেনবা পূক্নিং চংশিন্দুনা মখোয়গী পার্ফোমেন্সশিং অদু হেনগৎনবা হোৎনগনি হায়না থাজবা থমখি।

## ২০২০ ওলিম্পিক্স নকশিল্লকপদা শোক্কদ্রা হায়না পাখৎলি : মিরাবাই



ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপীগী ৱেটলিফটর ওইরিবী মমাঙদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্স নকশিল্লকপা অসিদা শোক্কদ্রা হায়না পাখৎলি হায়খ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মমাঙগী চহীদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোখবা গোল্ডকোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরবা মতুং মহাক্কী খ্বাংগী মখা থংবা শরুক্তা অনাবা অমা লাকপদগী লৈবাক অসিদা লৈবা ডোক্তর পূম্নমক লায়ওং খঙদবদগী অঙকপা ফাওনখ্রবনি। মদুনা মরম ওইরগা চহী অদুমক্তদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

শোকখিবা অদুগী মতুংদা মিরাবাইনা ফোঙদোরকখিবদা, অহোংবা কয়া লাকখ্রে। মহাক্না ত্রেনিং চথবা অমদি কম্পিটিসন্দা অৱন্বা থাঙ্গৎলমদাইদা করিগুম্বা শোক্লবদি করি তৌগনি হায়না অকিবা অদুমক ফাওদুনা লৈ হায়খি। মরম অদুনা মহাক্না ত্রেনিং সেসন খুদিংমক্কী অৱন্বা থাঙ্গৎলমদাইদা ৱাখল খন্থরগা শোক্তনবা থাঙ্গৎলি হায়খি। থা মাপন কম্পিটিসন য়াওরুদ্রবা মতুং মহাক্কী অনাবা অদু হন্থখিদুনা কম্পিটিসন্দা শরুক য়াবা ঙল্লকপনি। শোক্লবা মতুং অহনবা ওইনা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা ঈ জি টি এ কপ্তা মহাক গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্কী কোচ ওইরিবা বিজয় শর্ম্মনসু মিরাবাইগী অনাবা অদুদা নুংনাংবা অদুমক ফাওদুনা লৈরি। মহাক্না অহানবদা নারকখিবা অদু শাজেল তৌবদা ওইগদ্রা নৎত্রগা অৱন্বা থাঙ্গৎপগী টেক্নিক্না ওইগদ্রা হায়বদু হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি হায়না মিরাবাইনা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা মিরাবাই মেদল অমত্তা ফংবা ঙমখিদবনি। অদুবু হন্দক্কী সামৱাদা পাঙথোকপা কম্মনৱেলথ চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকপা অদুনা মহাক্কী পার্ফোমেন্সতা ফগৎলকপা লৈরি। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা মিরাবাই চনুনা গোল্ড মেদলগী অচৌবা মঙলান অমদি মঙদুনা লৈরি। কুমজা ২০১৮গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মিরাবাইনা কেজি ৪৯দা পূন্না কেজি ২০৯ থাঙ্গৎতুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবনি। মহাক্না ত্রেনিংদা হৌজিক হৌজিক কেজি ২০৩ থাঙ্গৎপা ঙল্লি। কেজি ২১০ ফাওবা থাঙ্গৎনবা মহাক কন্না হোৎনরি হায়না পাউগী এজেন্সি অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখি।

# বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা নুপাগী অনৌবা হেদ কোচ অমা থিরি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ অনৌবা অমা থিরি।

বি সী সী আইনা ঙসি হান্নগী কোচিং ষ্টাফশিং অদুগী কোন্ত্রেক্ট লোইবগী মতম অদু ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ৱেষ্টইন্দিজগী টুর ওগষ্ট ৩দগী হৌগদৌরিবা অসি লোইরবা মতুং মতম লেইবা মরম্না অনৌবা হেদ কোচ অমদি কোচিং ষ্টাফশিং অদু কৌননবা এপ্লিকেসন ইনভাইট তৌখিবনি।

এপ্লিকেসন অদুদা বি সী সী আইনা পাল্লিবা হেদ কোচ অদু মশাগী চহী ৬০গী মখাদা লৈগদবা অদুগা য়ামদ্রবদা ইন্টরনেসনল এক্সপরিএন্স চহী ২ লৈগদবা মীশক ওইগদবনি হায়রি। মসিদা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী হেদ কোচ ওইরিবা মমাঙদসু ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইরম্লবা রবি সাষ্ট্রি অমদি মহাক্কী টিম ওটোমেটিক এন্ত্রি ওইনা লৈগনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজতা ওগষ্ট ৩দগী শান্নগদৌরিবা ক্রিকেট টুর অদুদা টেষ্ট মেচ অনী, ৱান দে মেচ অহুম অমসুং টি-২০ মেচ অহুম শান্নগনি।

ঙসি বি সী সী আইনা থোকখিবা এপ্লিকেসন অদুদা কৌখিবা কোচশিং অদুদি হেদ কোচ, বেটিং কোচ, বোলিং কোচ, ফিল্ডিং কোচ, ষ্ট্রেঙথ এন্দ কন্দিসনিং কোচ, ফিজিওথেরাপিষ্ট অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ মেনেজর অমনি।

এপ্লিকেসন ফোর্মেট অদুদা বি সী সী আইনা পীরিবা কন্দিসনশিং অদুদি হেদ কোচকী ওইনা মীওই অদু টেষ্ট শান্নবা লৈবাক অমগী য়ামদ্রবদা চহী অনীদগীনা অহুম ফাওবা কোচ ওইগদবনি। লোয়নন্না আই সী সীগী এসোসিএট মেম্বর/এ টিম/আই পি এলগী সাইদ অমসু ওইগদবনি। মসিদসু নত্তনা এপ্লিকান্ট অদুনা য়ামদ্রবদা টেষ্ট মেচ ৩০ নৎত্রগা ৱান দে মেচ ৫০ হেন্না শান্নবা মীওই ওইগদবনি হায়রি।

ক্রাইটেরিয়া অসি বেটিং, বোলিং অমসুং ফিল্ডিং কোচশিংগী ওইনসু মান্নে। অদুগা হেদ কোচকা মখোয়গা খেন্নবা লৈরিবা অসি কোচ অহুম অসিগী ওইনদি চহী ৬০ য়ৌদবা লোয়নন্না টেষ্ট মেচ ১০ নৎত্রগা ৱান দে মেচ ২৫ শান্নবা ওইগদবনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী সপোর্ট ষ্টাফশিং অসিদা হেদ কোচ ওইনা রবি সাষ্ট্রি, বোলিং কোচ ওইনা ভারত অরুন, বেটিংগীদা সঞ্জয় বাঙ্গর অমসুং ফিল্ডিংগীদা আর শ্রীধরনা ওইরি। মখোয়বু হন্দক্তা ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা য়ূম্বু ওইরগা লোইশিনখিবা আই সী সী ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ্তা সেমী ফাইনেলদা মায়থীখ্রবা মতুং নুমিৎ ৪৫নিগী ওইবা এক্সটেন্সন অমা পীদুনা ওগষ্ট ৩দগীনা সেপ্টেম্বর ৩ ফাওবগী ৱেষ্ট ইন্দিজ টুর লোইবা ফাওবা কোন্ট্রেক্ট শাংদোকখিবনি।

# নরেন্দর গেলোটকী পাঞ্জলনা ইন্দিয়া অমসুং সিরিয়া দ্রো চৎখ্রে, সিরিয়া ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা মাঙজখ্রে





অহমেদবাদ, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৭তগী হৌরকপা অনীরকশুবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেচতা ইন্দিয়াগী নরেন্দর গেলোটনা চনখিবা পাঞ্জলনা সিরিয়াগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। সিরিয়া দ্রো চৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা মাঙজখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টাজিকিস্থান অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মখূৎতা অহৌবা মেচ অনী চাউনা মায়থীবা নংখি। থা অসিগী ৭তা অহানবা মেচ অদু টাজিকিস্থানগা শান্নখিবদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অনী চল্লগা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থারম্বা অদু টাজিকিস্থান্না অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ৪ চনশিন্দুনা ২-৪দা মায়থীবা নংখিবনি। মেচ অদুগী মতুংদা থা অসিগী ১৩দা অনীশুবা মেচ ওইনা নোর্থ কোরিয়াগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-৫দা মায়থীবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ রোবিন্দা টাজিকিস্থানননা মেচ অহুম শান্নবদা অনী মায় পাক্লগা অমা মায়থীবা নংখি। মখোয়না ইন্দিয়া থোইরবা মতুং সিরিয়াবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা নোর্থ কোরিয়াগী টিম মখোয়গী অহানবা মেচতা সিরিয়াগী মখূৎতা মখোয় পাঞ্জল ২-৫দা মায়থীবা নংবা মতুং ইন্দিয়াবু মখোয়না থোইরগা টাজিকিস্থানবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ঙরাং পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমদুনা পোইন্ট তরুক ফংলকপনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা সিরিয়ানা ইন্দিয়াবু করিগুম্বা পাঞ্জল অহুম হেন্না মায়থীবা পীরম্লবদি নোর্থ কোরিয়াগা পোইন্ট মান্নরগা গোল্ড দিফরেন্সতা মখোয়না হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌরম্বা য়াবগী তাঞ্জা অমা ফংখি।

ঙসি অহমেদবাদকী ঈ কে এ এরেনাদা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদা সিরিয়ানা ইন্দিয়াবু লাকশিন্না শান্নবা ঙমখি। মখোয়না বোল পায়বগী চাংসু ইন্দিয়াদগী হেনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদা নৌনা কোচ ওইরিবা ক্রোসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা মমাঙদা টাজিকিস্থান অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মখূৎতা য়াম্না চাউনা মায়থীবা নংখিবা অদু ফুকৎলগা ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লোইদবা ফীভমদা লৈরবসু সিরিয়াবু মায়থীবা পীননবা লাল্লোং কয়া শিনবা হৌখি। ইন্দিয়াগী টিমদা জুনিয়রদগী অহানবা শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারক্লিবা কিয়াম অমরজিৎকী থৌদাং চাউখি। মহাক্না দিফেন্সিব মিদফিল্ডর ওইনা শান্নরকপদা হান্নগী মেচশিংদগী ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদু মপাঙ্গল লৈবা হেনখি। মদুনা মরম ওইরগা সিরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা এটেক চথবদা অহানবা হাফকী মতম অদু অৱাবা নংখি। অমরজিৎকী ফজবা মশান্না হায়রগদি প্রেসর লৈরবা মতমদা মহাক্না ফংখিবা বোল অদু টিমমেটশিংদা পাস পীবদা অশোয়বা য়াওখিদবা অদুনি।

মেচকী অহানবা হাফকী ৩০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মন্দরনা ফিল্ডগী ওইথংবা মায়কৈদা টিমমেট সাংটেদা বোল অমা খাইদোরকপা অদু ওফসাইট ত্রেপ অদু লান্থোরক্তুনা কাওশিনখিবদা সিরিয়াগী গোলকিপর অলমানা ইৱা ৱাদনা ফাবা ঙমখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এটেক তৌবগী খুদোংচাবা ফংবা হেনগৎলকখি। ইন্দিয়াগী থাপানা য়েৎ থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী কাওশিল্লকপা বোল অমা নরেন্দ্র গেলোটনা ৱাংনা চোংখৎলগা হেদ তৌশিন্দুনা ৫২শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তারকপা মেচ অদুগী ৭৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী নৌনা চঙশিল্লকখিবা জেরিনা সিরিয়াগী অলামদতা কাঙলোন ৱাংমা লান্না বোল মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক রেফ্রিনা পেনালটি অমা সিরিয়াদা পীখি। খুদোংচাবা অদু মাঙহন্দনা অলখটিফনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-১দা লৈনখি।

মায় পাক্ল নবা ফনা কন্না হোৎনখিবা সিরিয়া কান্নবা ফংখিদে। ১-১দা দ্রো চৎতুনা থা অসিগী ১৯দা শান্নগদবা ফাইনেলদা নোর্থ কোরিয়া অমসুং টাজিকিস্থান লম্বা তৌনরগনি।

# ৱর্ল্ড স্বিমিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা চাইনানা গোল্ড ৯ ফংলগা মাংজিল থাদুনা লৈরি

গ্বাংজু, জুলাই ১৬ (এজেন্সী)ঃ সাউথ কোরিয়াগী সিটি গ্বাংজুদা থা অসিগী ১২দগী চথুরকপা ১৮শুবা ৱর্ল্ড স্বিমিং চেম্পিয়নশিপ্তা চাইনানা পুন্না গোল্ড মেদল ৯ ফংলগা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মাংজিল থারগা লৈরি।

গ্বাংজুদা লৈবা নাম্বু য়ুনিভর্সিটি, সোচুন য়ুনিভর্সিটি, য়িওসু এক্সপো ওসিন পার্ক অমসুং য়িওনজু জিমনাসিয়মদা চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

চাইনাগী মায়কৈদগী দাইবিংগী কম্পিটিসনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী য়াম্না হেন্না ফজবা ঙমখি। কাউ য়োননা নুপাগী মিটর ১০গী প্লেটফোর্ম দাইভিংদা মহাক্কী অতোপ্পা পার্টনর ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙল্লম্লবা আইসেনগা লোয়নন্না গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেদলিষ্ট অমসুং কুমজা ২০১৩গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট কাউ য়োননা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা সিনক্রোনাইজ প্লেটফোর্ম দাইভিংদা মহাক্কী পার্টনর জৈ সি য়িগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ঙসি ৬নি শুবা নুমিৎকী লোইশিল্লকপদা চাইনানা গোল্ড ৯, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। রসিয়ানা গোল্ড ৪, সিলভর ৩ ফংলগা অনীশুবদা লোয়নন্না য়ুক্রেন, জর্মনি অমদি হঙ্গেরি গোল্ড অমমম ফংলি।

## সবমিট তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী জেনরেল সেক্রেটরি এল জোটিমোয় রোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১৯-২৩ ফাওবগী অম্ফা জেনরেল কাউন্সিল শেম্নবগীদমক হৌজিক ফাওবদা অম্ফাদা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসন ৯গী রিপ্রজেন্টেটিভ ইনফোর্ম তৌরক্লে। লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা থা অসিগী ১৯গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা সবমিট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ শান্নরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস): কুকি ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন ইম্ফালনা শীন্দুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) গী প্লেয়রশিং অমসুং মণিপুর এলেভেনগী প্লেয়রশিংগা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অমা থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

মেচ অসিবু কন্দক্ত তৌগদবা ওফিসলশিং অদুদি মেচ কম্মিস্নরদা ঐচ খম্বা, রেফ্রিদা এল অজিৎকুমার মৈতৈ, কেনেদি সাপম, রিনকোহাও ভাশুম, এন ইবুংঙো মৈতৈনি। হায়রিবা মেচ ওফিসলশিংনা কে এস ওগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর থেনখোমাঙ কিপগেন্দা থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ১২.৩০দা খুমন লম্পাক্কী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা রিপোর্ট তৌগদবনি। লোয়নন্না টি এ/দি এ কুকি ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন্না পীবা ওইগদবনি হায়রি।

## স্পোর্টস মেটরিএল য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস): সমাগ্রা শিক্সা মণিপুরনা শীন্দুনা জুলাই ১৭কী অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা বাবুপড়াদা লৈবা এস আই এস ওফিসতা স্পোর্টস মেটরিএল য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

স্পোর্টস মেটরিএল য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন এন্দ লেভর এমপ্লোইমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট, এদ্যুকেসন (এস) কী কম্মিস্নর সুমন্টনা প্রসিদেন্ট অমসুং এদ্যুকেসন (এস) কী জোইন্ট সেক্রেটরি এল নন্দকুমার, কোসেমগী চেয়রমেন এল মহেন্দ্র, এদিসনেল দিরেক্টর এদ্যুকেসন (এস/ঐচ) কী মাঙতে কোম, এদ্যুকেসন (এস/ভি) গী এদিসনেল দিরেক্টর সী ঐচ শচিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

## ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস):
এথলেটিক এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি ইটো তোংব্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না লাক্লিবা ওগষ্ট ২৭তগী ৩০ ফাওবা লক্ষনৌদা চথুগদৌরিবা নেসনল ইন্টর ষ্টেট সেনিয়র এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ অমসুং সেপ্টেম্বর ১২দগী ১৪ ফাওবা রাঞ্চিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন জুনিয়র এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর এথলেটিক টিমগী ত্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ২৮দা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। এথলেটশিংনা অয়ূক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।



HL-B/5528/3/7-1sept.




| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/LLM | 2 | Negotiable | 25-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |

L.G. MOTORS FINANCE
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.30PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
HL-B/5527/3/7-31aug.
HL-P/3392/14-20july




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com